ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ুমশকৈশা, জুলাই ২৭, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১২২শুবা মশীং

# মীয়ামদা মৈ মুৎহনবা

## পুকচেল শেংদ্রবদি অফবা ওইরক্লোই

লৈবাকসিদা মৈ (ইলেক্ট্রিক) গী থৌদাং অদুক্কী মতিক চাওই। লৈবাকসিনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগুম্না মখোয়গা থাক মান্ননা চাওখৎহনগে হায়রবদি মৈগী ফীভম ফগৎহনগদবনি হায়বগী ৱাফমসি ঙসিদগীনা চহী ৭০ হেনবগী মমাঙ লৈবাকসিনা নীংতম্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০দা মপূং ফাবা রিপব্লিক অমা ওইরকখিবগা লিংখিবা অহানবা লৈঙাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রমখিবনি। ইলেক্ট্রিকনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহনবদা মরু ওইবা অমসুং অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোক্লমখিবনি। ৱাফমসিমক মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদসু অচুম্বা ৱাফম অমা ওইরিবনি। অদুবু লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইরক্লিবা মণিপুরদদি মৈগী ফীভম ফগৎলকখিবা হায়বদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না পুং ২৪গী নোংমদা পুং খরা য়াম্না মৈ ফংলকখিবসিদি কুইদ্রি হায়বা য়াই। হৌদোকমিন্নরকখিবা ইলেক্ট্রিসিটি লোয়শঙবু এম এস পি সী এল অমসুং এম এস পি দি সী এল হায়বা কম্পেনি অনী শেমদুনা খূৎশিন্নরক্লগা হান্নদগী লৈরকপা ত্রেদিসনেল সিষ্টম অদুগী মহুত্তা ‘প্রি-পেদ’ সিষ্টম হৌদোত্তুনা চৎনহল্লকখিবদগীনি হায়বা য়াই। মসিগীদমক সিষ্টম অসিবু হৌদোক্লম্বা মতমদুগী কোংগ্রেস লৈঙাকপু মণিপুরগী মীয়াম্না থাগৎফম থোকই। পার্টি অমগী লৈঙাক ওইনীংবা ওইজসনু। পার্টিদুগী লুচিংবশিংসু ওইনীংবা মীওই ওইজসনু। লৈবাক মীয়ামগীদমক অফবা, কান্নবা থবকশিংবু তৌরম্লবদি থাগৎপা তাবনি। ফত্তবা, অরানবশিং তৌরক্লগনা ফত্তে হায়বা ঙমগদবনি। ঙমসু ঙম্মী, হৌজিক ফাওবগী মীয়াম্না হায়দুনসু লাকই। মসিমক্তা য়ুনিয়ন লৈঙাকপু অতোপ্পা পার্টি অমনা লুচিংবা লৈঙাকলোন লাকখিবা খক্কী ৱাফম নত্তনা মণিপুরদসু অহোংবা-অওনবা পোলিটিকেলগী ফীভম হকথেংনরিবসিনি। মসি করিদগীনো হায়বসিসু অনৌবা অওনবা লৈঙাক অনীসিগী মমাঙদা লৈঙাক্লম্বা কাঙবুনা খঙজিনবা কান্নগনি।

অদুবু, হৌজিক অনৌবা লৈঙাক্কী অনীশুবা টর্মনা মীয়ামগী লৈঙাক খূৎপায়নবা হৌরকপদা ওইরক্লিবা মৈ (ইলেক্ট্রিক) গী ফীভম অসিবু করিনো? জঙ্গল কট্টিং তৌনবগী, ট্রান্সফোর্মরশিং হোংদোক-হোংজিন তৌবগী, মৈ পুরিবা ৱায়রশিং শেম্বনচিংবা মথৌ তাবা থবক-থৌরমশিংগী মৈগী লোয়শঙগী মরী লৈনবা দিভিজনগী ওফিসলশিংনা মাঙজৌনননা মীয়ামদা হেক-হেক খঙহল্লি। অকক্নবা নুমিৎ মশীং পন্দুনা মীয়াম্না মৈ ফংলোইদবা পুংশিং লাউথোকই। অদুবু হায়রিবা থবকসি শুংতৌ তৌদনা, মাঙজৌননা হোয়নি-মায়নি হায়দনা পুং কয়া মৈ ফংহন্দবগী থৌদোক কয়া তোয়না থোকচিল্লক্লিবা করিগীনো? ৱাফমসিগী পাউখুমশিং ৱাৎতনা লৈরমগনি। মরমদি মৈ হায়বসিদি তম্বা ঙমদে। হান্না থাজরুদনা অমসুং খলহৌদনা খুদক্তা হেক্তা খুদোংচাদবশিং থোকচিল্লকপা য়াই। মসি থোরক্লগদি মীয়ামদা মৈ ফংহনবা ঙমদে হায়রকপা য়াই। চুমসু চুন্নমগনি। অদুবু মরম ইচা চাদবদসু মীয়াম্না মৈ ফংদবগী থৌদোকশিং তোয়শিল্লক্লে হায়বগী ৱানি। অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি থোকখ্রবা মতুংদসু চপ চাবা মরমশিং পন্দুনা মীয়ামদা শুগাইনা খঙহল্লকপসু লৈতে। থৌওংসিদি পুকচেল শেংদবনি হায়দুনা লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? মীয়াম্না শীজিন্নরিবা মৈ অসি প্রি-পেদ ওইরবনিনা মাঙজৌননা শেল পুথোক্তুনা লৈরগা শীজিন্নবনিনা পুং ২৪ শুংলেপ লেপ্তুনা মৈ পীফম থোকই, ফংহনফম থোকই, পীগদবনি হায়বা নত্তে। তঙাইফদবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্নরক্লগদি ফংদবা তাবনি। তৌবতবু পুকচেল শেংনবা অমদি চঙই হায়বনি। অদুবু পুকচেল শেংনদবা মানবা মৈ ফংহন্দবগী থৌদোকশিং তোয়না থোকচিল্লক্লবদি মমৈথংদা অফবা ওইরক্লোই হায়বসিমদি শোয়দ্রবনি। লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক তৌবা থবক্তি য়ারিবমখৈ পুকচেল শেংবা চুমগনি হায়নীংই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৬

১) **“কৃষ্ণরা, জেসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে/কল্লুনে ঐবু প্রল্লয়সিদগী অমুক্তা।”** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো অমদি শৈরেং মতেক অসি মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগীনো?

২) **“য়াথং”** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং মসিগী অইবা কনানো?

৩) মোইরাং নিংথৌগী মচানুপী অমা **“লৈবাককী অৱাবা কোক্লবা তৌখিবী অমদি মপাগী য়াথং লৈবাক তাহনখিদবী পুকচেল চাওবী নুপী অসিগী মরমচৎ উৎনীংবদগী মৈতৈ ময়েক্তগী খ্বাইনা খঙনবা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোক্তুনা ছাপা নম্বা য়ানবা শেমদোকচবনি।”** হায়রিবা লাইরিক অসি করি লাইরিকনো অমসুং কনানা বাঙ্গালা ময়েক্তা শিন্দোকপনো?

৪) শক্লাইরবা কবি ঐচ নন্দ মৈতৈগী শৈরেং ১০৩বু কনানা ইংরাজিদা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকখিবগে?

৫) **“মৈ চঙলবা চেক”** হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা ঐখোয়গী হকশেলদা শীংনরকপা অমসুং মসিদগী ঙাকথোক্লবগী পান্থৈ

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

মাইক্রোপ্লাষ্টিক হায়বসি প্লাষ্টিকশিংগী য়াম্না কুপ্লবা শিংকুপশিংনি। মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি মপূং ওইনা মওং অনীদা মীওইবগী হকচাংদা চঙলকই। অহানবদা, লৌউ-শিংউগী তিলহাৎ হীদাক, মীনা শীজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক, য়ূম-কৈগী ফক্লাংশিংদা তৈননবা রং, অকে-অমৌগী পোৎ অমসুং দিটরজেন্টশিংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংসি অতম্না হেক হেক হাপ্পী। ঐখোয়গী কান্ননবা শীজিন্নরিবা কেমিকেলশিং অসি নুংশা মঙাল, মৈশা অমসুং নুংশিৎনা মাঙহন তাকহনবা ঙম্মী। অসিগুম্বা পামদবা থৌওং অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক অখন্নবা কেমিকেল খরবু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা য়োমশিল্লি, হায়বদি মাইক্রোইনকপস্যুলেসন তৌই। অতোপ্পা অমরোমদনা, হীদাক অমবু য়াম্না তপ্না অমসুং মতম কুইনা থাদোকহন্নবগীদমক হায়বদি সষ্টেইন্দ রিলিজগীদমক হীদাক অদুবু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা য়োমশিল্লি। মসিনা পামদবা সাইদ ইফেক্টশিং থোকপগী চাং হন্থহনবসু ঙম্মী।

অনীশুবদনা, হেক য়াহৌবদগীনা তূম্বা ফাওবদা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিক্কী পোৎশিংসি অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে মদুদি মসি ঐখোয়না পাক হেক থাদোকপা হায়বসি অরুবা অমা ওইরে। অসিগুম্বা প্লাষ্টিকশিং অসি হন্না হন্না শীজিন্নবা, খুদম ওইনা প্লাষ্টিক বোট্টল অমবু ঈশিং হন্না হন্না হাপ্পুনা থক্লবগীদমক শীজিন্নবা অমসুং মখোয়বু হুন্দোক্তুনা নৎত্রগা মফম চাদনা থম্বা মতমদা মহৌশাগী ওইবা থৌওংনা কায়থরক্তুনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি ঈশিং অমসুং নুংশিত্তা তিল্লে। গাড়ীগী টায়রশিংনা তৎলকপা অমসুং শেগাইরকপা মতমদসু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং অসি ঐখোয়গী অকোয়বদা থাদোরকই।

য়ুরোপিয়ন কেমিকলস এজেন্সীগী মতুংইন্না, অহানবগী মওং অসিদগী ঐখোয়গী অকোয়বদা চঙলক্লিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিক্কী চাংসি চহী অমদা টন ৫০,০০০ মুক ওই হায়রি। মসি অকোয়বগী ফীভমদা ফংলিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী ১০-১৫%নি। অনীশুবা মওংসিদা শীজিন্নরিবা প্লাষ্টিকশিংদগী মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংনা পাৎ-তুরেল অমসুং সমুদ্রদা তিল্লরবা মতুংদা ঈশিংদা হিংলিবা জীবশিং মরু ওইনা ঙাশিংগী হকচাংদা চঙলকই। মসিনা মোরিন ফুদ চেইনদা অপনবা পীরকই। অসিগুম্বা ঙাশিংসি চারুবদগী মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংদু অমুক মীওইবগী হকচাংদা চঙলকপা য়াই। অসুম্না মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরবা ঈশিংদু থক-চাবদগীসু ঐখোয়গী হকচাংদা চঙলকই।

ৱাশিংটনদা বেজ তৌবা লূপ Orb Media না পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমদা ইন্দিয়াগী টোপ ৱাটরগী ৮.২৪%দা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওবা থেংনখি হায়রি। কুমজা ২০১৮দা ষ্টেট য়ুনিভর্সিটি ওফ ন্যু য়োর্কনা চেন্নাই, মুম্বাই অমসুং ন্যু দেল্লী য়াওনা মালেমগী মমিং লৈরবা সহর ১৯দগী সেম্পলশিং খোমজিন্দুনা নৈনখিবদা, প্লাষ্টিক বোট্টলশিংদা হাল্লিবা ঈশিংগী ৯০%দা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওবা থেংনখি হায়রি। আই আই টি - বোম্বেগী সেন্টর ওফ ইনভাইরনমেন্টল সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিংগী সাইন্টিষ্ট অনীনা থিজিনখিবা অমদনা, ঐখোয়না নুংতিগী চানরিবা থুমদা ফাওবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওই হায়বসি খঙবা ঙমখি। “ইনভাইরনমেন্ট ইন্টরনেসনল’ (মার্চ ২০২২) দা ফোঙদোরকখিবা পাউদম অমদনা, নেদরলেন্দসকী Vrije Universiteit Amsterdam গী থিজিন লূপ অমনা থিজিল্লুবদা মীওইবগী ঈদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরম্লে হায়রি। মখোয়না মশক-মমিং তাকথোক্তবা এদল্ট ২২গী ব্লদ সেম্পলশিং চাং য়েংবদা এদল্ট ১৭কী ঈদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং য়াওরম্বা থেংনরকখিবনি।

তিলহাৎ-হীদাক, রং, অকে-অমৌগী পোৎ, হীদাক-লাংথক অমসুং দিটরজেন্টশিংদা অতম্না মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিং হাপ্পুনা, অখন্নবা কেমিকেল খরবু য়োমশিনবগী থবক অসিদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুত্তা অতোপ্পা পোৎ শীজিন্নবা য়ারোইদ্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুম পীনবগীদমক মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী থিজিন লূপ অমনা থিজিন্দুনা লাকখিবগী মহয় ওইনা মুগা (সিল্ক) দা য়ূম্ফম ওইবা সিষ্টম অমনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়ারগনি হায়না ‘স্মোল’ চেফোঙ (জুলাই ৮, ২০২) দা ফোঙদোরক্লি। মখোয়না পুথোরক্লিবা সিষ্টম অসিনা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী সমস্যা পূম্নমকপুদি কোকহনবা ঙমদ্রবসু মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী ১০-১৫% ওইরিবা হীদাক-লাংথক, রং, অকে-অমৌ অমদি দিটরজেন্টনচিংবদগী হৌরকফম ওইরিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংবুদি শীজিন্নহন্দবা ঙম্লগনি হায়না সিভিল এন্দ ইনভাইরনমেন্টল এঞ্জিনিয়রিংগী প্রোফেসর Benedetto Marelli না ফোঙদোক্লি। মসিনা মতম অমত্তদা মালেমগী ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং পোল্যুসনগী ১%দি কোকহনবা ঙমহল্লগনি।



Professor Benedetto Marelli

ফি-রোল শাবদা শীজিন্নরিবা মগুন লৈরবা মুগাগী লংগা মান্নদবা মওংদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা ঙম্বা সিল্ক প্রোটিন অসিদি মরাং কায়না ফংই অমসুং মমল হোঙই। ফজরবা মুগাগী লং শুংনবগীদমক সিল্কৱর্ম কোক্যুনশিংবু খূৎ চঙনা নাইথোকপা মথৌ তাই, অদুবু হীরম অসিদা শীজিন্নগদৌরিবা অসিদদি লং নাইথোকপা য়াদবা কোক্যুনশিং শীজিন্নবা য়াই অমসুং সিল্ক ফাইবরশিংদু ঈশিংদা য়ূম্ফম ওইবা থৌওং অমনা য়াম্না য়াম্বা চাংদা পুথোকপা য়াই।

মুগা অসি চিঙ্গাক নৎত্রগা হীদাক-লাংথক্তা শীজিন্নবদা শাফবা ওই, মরমদি মসি হু চেন্দে অমসুং হকচাং মনুংদা মরোমদোম তুমজখিবা ঙম্মী। লেবতা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা থিজিন লূপ অসিনা মুগাদা য়ূম্ফম ওইবা মেটরিএল অসিনা হৌজিক হৌজিক শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিংগী মতেংনা নাপী হীদাকশিংবু ঈশিংদা তুম্বা ঙম্বা কুয়োম অমনা য়োমানিহনবা ঙম্মী। অসুম্না য়োমশিল্লবা নাপি হীদাক অসি গ্রীনহাওস অমদা চাং য়েংবদা হৌজিক কৈথেলদা ফংলিবা নাপি হীদাকশিংদগী হেন্না ফজনা মথৌ তৌবা থেংনখি অমসুং পাম্বীশিংদা অমাঙ-অতা থোকহনবগী চাংসু হন্থরম্মী।

মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা মহৌশাগী ওইবা পোলিমর অমা ফংনবগীদমক থিজিন লূপ অসিনা সিল্ক মেটরিএলশিংদা য়াওরিবা চেনশিংগী হান্না লৈরম্বা মওং-মতৌশিংদু শেমদোক-শাদোক্লম্মী অদুগা সর্ফক্টেন্ট (সর্ফেস টেন্সন হন্থহনবা ঙম্বা পোৎ) অমা হাপচিল্লগা কংহল্লবা অমসুং কনশিনহল্লবা মতুংদা য়োমশিন্নবা পোৎ অমগী মগুনদু চেল্লকই। মেটরিএল অসি হায়দ্রোফোবিক (থাউগুম্না ঈশিংগা তিন্নবা পামদবা) নৎত্রগা হায়দ্রোফিলিক (ঈশিংগা তিন্নবা পাম্বা) নৎত্রগা অনীসিগী মরক্তা লৈবা পোৎ অমা ওইবা য়াই।

থিজিন লূপ অসিনা পাল্লিবা পোৎশক অদু ফংবা ঙম্নবগীদমক এম আই টিগী পোষ্টদোক Muchun Liu না য়োমশিল্লিবা মেটরিএলশিংগী দ্রোপ্লেটশিংদু ফমথহন্নবগী পান্থৈ অমা শেমগৎপা তারম্মী। থবক অসি মহাক্না অখন্নবা স্প্রে-ফ্রীজিং সিষ্টম শীজিন্নদুনা পাঙথোক্লম্মী অদুগা য়োমশিনবগী থবক্তু ফজনা পাঙথোরকপদু উবা ঙম্লম্মী। তিলহাৎ-হীদাক নৎত্রগা ন্যুত্রিএন্টশিং নৎত্রগা এঞ্জাইমশিংবু ওইরবসু য়োমশিনহনগদৌরিবা ‘পেলোদ’ মেটরিএলশিংদুগী খরনা ঈশিংদা তুম্বা অদুগা খরা অমনা ঈশিংদা তুমদবা অমসুং মখোয়না তোঙান তোঙানবা মওংদা য়োমশিল্লিবা পোৎতুগা তিন্নবা ঙলম্মী। পেলোদ মেটরিএল অদুগা য়োমশিল্লিবা পোৎতুগা সোল্যুসন অমদা য়ানশিন্নে অদুগা স্প্রেদগী কাপথোকহল্লকই। দ্রোপ্লেটশিং শেল্লকপগা পেলোদশিংদু য়োমশিল্লিবা পোৎতুগী কুয়োমদু ফাওজিন্নবা হোৎনরকই অদুগা য়োমশিল্লিবা পোৎতুনা কুপ্শিনহনখি।



মুগানা য়োমশিল্লবা ভিটমিন সীগী স্কেনিং ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপকী মমিশিং। ওইথংবা অমসুং মথক থংবা ময়ায়দা, ইন্দষ্ট্রিদা হান্নদগী শীজিন্নরক্লবা, স্প্রে দ্রাইংনা শেল্লবা সেম্পলশিং উৎলি। য়েৎ থংবা অমসুং মখা থংবা ময়ায় এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা শীজিন্নখিবা অলত্রাসোনিক স্প্রে ফ্রীজ দ্রাইংনা শেল্লবা সেম্পলশিং উৎলি।

এম আই টিগী থিজিন লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা অনৌবা পান্থৈ অসিদা লং শুংবা য়াদ্রবা লোগ্রেদ সিল্ক শীজিন্নবা য়াই। মসিদসু নত্তনা শীজিন্নরবা মতুংদা হুন্দোকখ্রগদবা মুগাগী ফিশিং ওইড়া শীজিন্নবসু য়াই। অদুনা থৌওং অসিদা শেল ইচং চঙদে। মতৌ অসুম্না মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী মহুৎ শিনবা য়াবা মুগাগী প্রোটিনসি শীজিন্নদুনা তিলহাৎ-হীদাক, রং, অকে-অমৌগী পোৎশিং, হীদাক-লাংথক অমসুং দিটরজেন্টশিংবু ইনকপস্যুলেসন তৌবগী থবকসি পাক শন্না পাঙথোকপদা খুদোংচাদবা অমত্তা লৈরোই হায়না Marelli না ফোঙদোক্লি। মখোয়গী পান্থৈ অসি মালেম শিনবা থুংনা শীজিন্নরকপা মতমদা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংগী সমস্যা অসি ১০-১৫% কোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি। ●

### আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# ৱিমেন হোকিগী শান্নরোয় থৌদাম সুমননা কুমজা ২০২৪গী ওলিম্পিক গেমসকীদমক কন্না হোৎনরি

– বিজয় লাইশ্রম –

কুমজা ২০১৯দা অয়রলেন্দদা পাঙথোকখিবা মরিশুবা নেসনল হোকি টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন টিমদা কেপ্তেন ওইবদা নত্তনা টুর্নামেন্ট অদুদা মখোয়গী টিমনা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবী থৌদাম সুমন চনুনা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪গী ওলিম্পিক গেমসকীদমক হৌজিক য়াম্না কন্না হোৎনরি।



থৌদাম সুমন চনুগা পাউচে অসিগা অখন্ননা টেলিফোনগী খূথাংদা ৱারী শানবদা হায়, মহাক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শিংজমৈ ৱাংমা মোংখাং লম্বীদগী থৌদাম অনন্দ অমদি থৌদাম ওংবী নাওবীগী মচানুপী অনীগী মনুংদা মহাক্না অহলনি। মহাক ক্লাস ৱানদগী ফাইভ ফাওবা মখোয়গী লৈকায়দা লৈবা ইম্ফাল ইংলিস স্কুল অমদা তম্লকখি। মতুংদা ক্লাস সিক্সতগী আইট ফাওবনা অকাম্পাৎতা লৈবা ইষ্টর্ন গর্লস স্কুলদা তম্লকখি। মদুগী মতুংদা মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈবা পি দি স্কোলর একাদেমিদা লৈরগা পি দি স্কোলর স্কুল অমদা তম্লকখি। মদুগী মতুংদা মহাক বি এ সেকেন্দ সেমিষ্টরনা হিয়াংথাংদা লৈবা পেমতোন কোলেজদা তম্লি।

মহাক হোকি শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা লৈকায়গী ময়াম্বশিংগা লৈকায়গী লম্পাক শান্নবুংদা ফুটবোল খরা শান্নরকখি। কুমজা ২০১০দগী ক্ষেত্রি লৈকায় সিও গ্রাউন্দদা হোকি শান্নবা হৌরকখি। মদুদা সিও গ্রাউন্দ নুমিৎ ১৫গী কোচিং কেম্প অমা তৌখি। মদুদা ওজ াশিংনা হায়, নুপীদি চাং নাইনা শান্নবা থোরক্লবদি অফবা শান্নরোয় ওইবা ঙমগনি। মতম অদুদা মশাগী হোকি-ষ্টিকসু লৈতে, ওজ ানা ঙাইহাক ঙাইহাক মখোয়গীদু পায়হনবনি। মতুংদা সিও গ্রাউন্দ অসিদা হোকিগী টুর্নামেন্ট তৌবদা মহাক সিলেক্সন তৌখি। মদুদগী থৱায়না পাম্না হোকি শান্নবা অসি অদুম হৌখ্রে। অন্দর ফোর্টিনদা কুমজা ২০১১দা মহাক মণিপুর ষ্টেটকী ওইনা পঞ্জাবকী অমৃটসরদা অহানবা ওইনা শান্নবা চঙখি। কুমজা ২০১২দনা মহাক্কী ওজা ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ূম রামেশ, খুরাইদগী লৈখিদ্রবা ওজা হেরোজিৎ অমদি ওজা চান্দিগী মখাদা শান্নবা হৌরকখি।

কুমজা ২০১২দা মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা লৈখি। অহানবদা হিন্দি লোল হৈতবগী খরা ৱাখি। মহাক কুমজা ২০১৪দগী নেসনলগী টুর্নামেন্টশিংদা শান্নবা হৌরক্লে। চহী অসিদা মৈতৈ মচা খরা খরা শান্নবা চঙলকখি। মখোয়গা অমুক লৈরগা শান্নমিন্নখি। মহাক কুমজা ২০১৫দা য়ূমদা অমুক থোরক্তুনা লৈরিঙৌদা ইন্দিয়াগী নেসনল কেম্পতগী য়ূমদা কোল লাকখি। মহাক কেম্পতা মীং য়াওরে হয়েংমক জোইন তৌরনবা অমদি বেঙ্গলোরদা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লকখি। পাউ অদু তাবদা মহাক য়াম্না ঙকখি, নোংঙাল্লগা মহাক খুদক্তা বেঙ্গলোরদা চঙখি। মী ৩৩ খনগদবা অদুদা সিলেক্সনগীদমক মী ৭০গী মথক্তা লাকপা অদুদা ময়াম্নদি পাখৎখি। অদুবু মহাক লমজেলদি ফজনা চেনবনিনা মীওই ৩৩ খনবা অদুদা মহাক য়াওরকখি হায়রি। ২০১৫দা ভোপালদা অমুক এসিয়া কপকী শান্নবা চৎখি। মতুংদা কুমজা ২০১৬তা এসিয়া কপকীদমক বেঙ্কোক্তা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন টিমগী শান্নবা চৎপদা মখোয় ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি। চহী অদুদা ইন্দিয়া অমদি বেলারসকা টেষ্ট মেটচ শান্নবদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন টিমদা য়াওদুনা শান্নবদা ৱিন্নর ওইখি।

কুমজা ২০১৭তা ওষ্ট্রেলিয়ন হোকি লিগ, ওষ্ট্রেলিয়াদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেনদা য়াওদুনা শান্নখি। করিমত্তা লৌরকখিদে। কুমজা ২০১৮দা সাউথ কোরিয়াদা টেষ্ট মেটচ ওইনা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেনদা য়াওদুনা অমুক শান্নবা চৎপদা মখোয়না ৱিন্নর ওইরকখি। চহী অদুদা অমুক্কা সাউথ কোরিয়াদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱিমেন্সদা য়াওদুনা শান্নবদা মখোয়না সিলভর মেদল লৌরকখি। চহী অদুদা স্পেন মাদ্রিদতা টেষ্ট মেটচতা সিনিয়র ৱিমেনদা য়াওরগা শান্নখি। কুমজা ২০১৮দা বেলজিয়মদা ৬শুবা নেসনল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন্সতা য়াওরগা শান্নবদা সিলভর মেদল লৌরকখি। কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়া অমদি ফ্রান্স টেষ্ট মেটচ ওইনা ইন্দিয়াগী লক্ষনৌদা জুনিয়র ৱিমেনদা য়াওদুনা শান্নবদা ৱিন্নর লৌরকখি। মতুংদা কুমজা ২০১৯দা অয়রলেন্দদা মরিশুবা নেসন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন্সতা মহাক্না কেপ্তেন ওইনা পুরগা শান্নবদা গোল্ড মেদল লৌরকখি। কুমজা ২০১৯দা বেলারসতা পাঙথোকপা বেলারস সেরিজ কপ ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন্স টিমদা মহাক্না কেপ্তেন ওইনা শান্নবদা মখোয়না ৱিন্নর লৌরকখি। কুমজা ২০১৯দা ওষ্ট্রেলিয়াদা অহুমশুবা নেসন টুর্নামেন্টদা মহাক্না কেপ্তেন ওইরগা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন্স টিম পুদুনা শান্নবদা গোল্ড মেদল লৌরকখি। কুমজা ২০২০দা Santiago Chile দা Chile Test Series শান্নবদা মহাক্না কেপ্তেন ওইরগা ইন্দিয়াগী জুনিয়র ৱিমেন্স টিম পুরগা শান্নরুবদা মখোয় ৱিন্নর লৌরকখি।

মহাক্না ইন্দিয়ন ৱিমেনস হোকি টিমদা মিদফিল্ডর এন্দ দিফেন্দর ওইনা শান্নবনি হায়রি। মহাক্না খ্বাইদগী নুংঙাইবদি মহাক্না সিনিয়র ওইনা ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স টিমদা য়াওদুনা শান্নবদা এসিয়া কপ জ পান্দা শান্নবদা মহাক সিলেক্সন ফংলবসু মশা ঙমহৌদবদগী চৎপা ফংখিদবা অদুমদি য়াম্না নুংঙাইখিদে। মাগী মখাদা লৈবা ষ্টেন্দবাই শান্নরোয় অমনা মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা চৎখি হায়রি।

হোকি শান্নবা অসিদা চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা খূৎ অমুক তেকউরে। মদুগী মতুংদা খ্বাং অমুক শোক্তুনা ফনা শাংনা পোত্থাদুনা লৈরুরবা মতুংদা হন্দক অমুক ফদুনা শান্নবা হৌরকপা থা অমরোমদা ঙাইরি। মণিপুরগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা হায়নীংবদি শান্নববু পামজবা মীওইশিংদি হৌজিক মণিপুরগী মপান লমদা শান্নবা চৎত্রবসু ঐখোয়গী লমদম অসি অফবা হোকিগী ওজা অমদি সিনিয়র ওইবা শান্নরোয় য়াম্না লৈরবনি, মখোয়গী লমজিং মখাদা অদুম শান্নবা য়ারে।

ঐখোয়গী হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাদুনা লৈথোকপগী মহুত্তা মহাক্না পাম্বা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন অমদা চঙদুনা শান্নবদা অমদি পূক্নিং হকচাং চপ য়ুংনা লেপ্লগা শান্নবদা মহয় চারোইদবগী মরম লৈতে। লাইরিকসু তম্না তম্না অপাম্বা শান্নবগী দিসিপ্লিন অমদা খল্লগা শান্নবা য়াই। হোৎপু হোৎনরবদি নহা ওইরিঙৈদা ঙমলোইদবা থবক লৈতে হায়নীংই। পনবা য়াবদি মণিপুর মচা হোকি শান্নরোয় ওলিম্পিয়া কয়াসু থোরকখিবা লৈখ্রে। ●